# প্রাইম মিনিষ্টরনা দিফেন্স এক্সপো ২০১৮ হৌদোকখ্রে
## দিফেন্সকী লমদা অহোংবা পুরকপা পান্লি



লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা দিফেন্স এক্সপোদা টেঙ্কশিংনা এক্সর্সাইজ তৌবা

**মহাবালিপুরম, এপ্রিল ১২ ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাবালিপুরমদা ঙসি দিফেন্স এক্সপো ২০১৮ শঙ্গাখ্রে। লোয়ননা মেক ইন ইন্দিয়াগী থৌশিলসু হৌদোকখি। খূৎশু খূৎলাই উৎথোকপগী থৌরম অদু ঙরাংদগী হৌনা নির্মলা সিটারামন্না লমথাদুনা থৌরম কয়া পাঙথোকপা হৌখি।

দিফেন্সকী এক্সপো অদু ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা এক্সিবিসন ওইবতা নত্তনা এসিয়াগী ওইনসু খ্বাইদগী চাউবা এক্সপো অমা ওইরি। এক্সপো অদুদা ইন্টর্নেসনেল লেন্দ, নেভেল অমসুং ইন্টর্নেসনেল হোমলেন্দ সেক্যুরিটি সিষ্টেমগী এক্সিবিসন অমসু ওইরি। এক্সিবিসন অদুদা মালেমগী ওইবা অচৌবা লৈবাকশিং অমসুং ইন্দিয়াগী ওইবা মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বশিং উৎথোক্লবগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরি।

চৎলিবা চহী অসিদা ইন্দিয়ানা লান্মীগী ওইবা খূৎশু খূৎলাইশিং এক্সপোর্ট তৌননবা মীৎয়েং থল্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মেক ইন ইন্দিয়া হায়বা থৌশিল অদুদসু অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

এন দি এ লৈঙাক অসিনা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি। অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ওইনা দিফেন্স সেক্টরদা অহোংবা পুরক্কবা হোৎনরি। লোয়ননা পোৎলম কয়া লৈবাক অসিদা শাননবা চাউরবা শেলফম কায়থোক্লি।

লান্মীগী খূৎশু খূৎলাইশিং শাবগী হব অমা ওইহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১,৭০,০০০ গী টর্ন ওভর লৈহন্নবা হোৎনরি। ইং ২০২৫ ফাওবদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি হেন্না ফগৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পূং ১০.২০ রোম তাবদা দিফেন্স এক্সপো শরুক য়াননবগীদমক মহাবলিপুরমদা থুংলখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মেক ইন ইন্দিয়াগী থৌশিল হৌদোকখি। ইন্দিয়াগী হিন্দুস্তান এরোনোটিক লিমিটেদ অমসুং মহিন্দ্রা দিফেন্স সিষ্টেমগা লোয়ননা এফ এ-১৮ সুপর হোর্নেক শাননবগী পান্দম থল্লি। য়ু এস কী এরোস্পেসকী মেজরনা হায়, ইন্দিয়াগী এরোস্পেস অমসুং দিফেন্স ইকোসিষ্টেমদা অহোংবা পুরক্কবগীদমক পূন্না থবক তৌমিন্নগনি।

লৈবাক অনীনা অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা কোম্বেট চথবা ঙম্বা ফাইটর শাবগী প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎকনি। ইন্দিয়াগী ওইনা কোম্বেট ফাইটর শাখিবা কম্পনিশিং অদুদি হিন্দুস্থান এরোনোটিক লিমিটেদ অমসুং মহিন্দ্রা দিফেন্স সিষ্টেমনা ওইরি। হায়রিবা কম্পনিশিং অদুগা খূৎশম্নদুনা কোম্বেট ফাইটরশিং শাবগী থবক খোঙজং পায়খৎকনি।

হৌজিক পাটনরসিফ ওইনা পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অদুনা মালেমগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা এরোস্পেস ওইরগনি। প্রাইভেট কম্পনিশিংগা পূন্না পি পি পি মোদেল থবক পায়খৎকনি। ইন্দিয়া এরোস্পেস অমসুং দিফেন্স মেনুফেকচরিংশিং ২১ শুবা চহীচা অসিদা খম থেংবা থাক অমদা লৈহন্নবা পান্দম থল্লি হায়না বোইং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রটুস কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চয়োলদা ইন্দিয়ানা সিট অমা অমসুং সিট অনী পানবা ফাইটর জেট ইন্দিয়াগী ফোর্সকীদমক শাননবা হায়জবগা লোয়ননা টেন্দর তৌখিবা লৈখ্রবনি। হন্দক পাঙথোক্লিবা দিফেন্স এক্সপো অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অমা ওইবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎথোক্লি হায়রি।

## ট্রিনামুলগী লুচিংবা অমা থাঙনা থিন্দুনা হাৎলম্লে, এটেক্টকর মীয়াম্না ফুবদা শিরে

**কোলকটা, এপ্রিল ১২ ঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পঞ্চায়ট মীখলগী নোমিনেসন ফাইল তৌবগী মতম লোয়শিনখিবগা লোয়ননা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোক্লে। কোলকটাদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা মীখলগা মরী লৈননা থোকপা হিংশাগী থৌদোক্তা ঙসি মীওই অনী শিখ্রে।

ট্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা সাইফুর রহমননা ঙরাং পূং ৪ রোম তাবদা কোলকটাগী নোর্থ ২৪ পরগনাদা মায় পাকপগী রেলি অমা পাঙথোকখি। ট্রিনামুল কংগ্রেসনা গ্রাম পঞ্চায়ট ১৬ তা লম্বা য়াওদনা কাখি। ঙরাং পার্টি অদুবু শৌগৎপা মীওই ৩০০০ রোম্না রেলি অদু পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা রাজব অলি কৌবা চহী ৪০ রোম শুরবা মীওই অমনা চঙশিল্লক্তুনা রহমনবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি।

রহমনগী চখাউ অমসুং থিবোং থিরিন শেগাইখি লোয়ননা ঈ য়াম্না থোকখি। মহাক খুদক্তা বরাসাট ষ্টেট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়াম্না রাজব অলি কৌবা মীওই অদু মফম অদুমক্তদা তমথিনা ফুখি। মহাক মফম অদুমক্তদা খুদক্তা শিখিবরা নৎত্রগা হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতূং লৈখিদবরা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

কিনিঙাই ওইরবা থৌদোক অদুগী মতূংদা লমদম অদুদা চাউনা উংখৎনবা লৈরিবা অদু লাকশিন্নবা মশীং য়াম্লবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিনখ্রে হায়রি।

## নাগালেন্দগী ইনতাংকিন্দা থারম্বা গঞ্জা য়াম্নুৎখ্রে

**পেরেন, এপ্রিল ১২ ঃ** আই জি এ আর (নোর্থ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী জালুকি বাটালিয়ন অমসুং পুলিসকী নার্কোটিক দিপার্টমেন্টকী পার্সোনেলশিংগা লোয়ননা ইনতাংকি রিজার্ব ফোরেষ্টতা ওপরেসন চথদুনা গঞ্জা পাম্বী কয়া য়াম্নুৎখ্রে।

নাগালেন্দগী পেরেন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উমংগী শরুক অদুদা পাক চাউনা গঞ্জা পাম্বী থারে হায়বা অকক্লবা পাউ ফংবগা লোয়ননা অপূনবা খূৎপু অদুনা ওপরেসন অদু চথখিবনি। অসাম অমসুং নাগালেন্দগা তায়নবা উমংগী শরুক একর ৮ লোমদা গঞ্জা পাম্বীশিং অদু থারমখিবনি হায়না অসাম রাইফলসকী থাদোরকপা চরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসকী পেরেন দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা লমদম অদুগী খুঞ্জাশিংগী মতেং লৌদুনা লুপা লাক্ষ ১৬০,০০০ রোমগী ওইগদবা গঞ্জাশিং থারম্বদগী য়ান্থৎখ্রে হায়রি।

## সি বি এস ই গী ক্লাস টেনগী ৱাহং লিক ওইখিবগী ৱাথোক লোয়শিনবা ঙম্লে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১২ ঃ** সি বি এস ই না লৌবা ক্লাস টেন পরীক্ষাগী ৱাহং লিক ওইখিবগী ৱাথোক চয়োল অহুমগী মনুংদা লোয়শিনবা ঙম্লে হায়না দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। দিল্লি পুলিসকী দিপ্যুটি কমিস্নার রাম গোপাল নাইক ফোঙদোকখবদা চপ চানা থিগৎলবা মতূং সি বি এস ই গী ক্লাস টেনগী ৱাহং লিক ওইখিবগী ৱাথোক অদু লোয়শিনবা ঙমখি।

ক্লাস টেনগী অঙ্কগী ৱাহং লিক ওইখিবগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা মতম চঙনা থিগৎপগা লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। মদুতা নত্তনা ক্লাস টুৱেল্বকী ইকোনোমিক্সকী ৱাহং লিক ওইখিবগা মরী লৈননা মরাল লৈবা মীওই অহুম ফারে।

হিমাচল প্রদেশকী উনাদগী চেন্নবা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখি। ৱাহং লিক অদুগী থৌদোক পরীংশিং অদু থিগৎতুনা মথং মথং য়েংশিনবদা মরাল লৈবশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি।

ক্রাইম ৱাঞ্চকী ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা হিমাচল প্রদেশকী উনাদা লৈবা দি এ ভি স্কুলগী ষ্টাফ অহুম ফাখি। পাউ অসিগী মতূং ইন্না ৱাহং অদু হায়রিবা স্কুল অদুদগী লিক ওইরকখিবনি হায়রি। ৱাহংশিং অদু দিল্লি, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবকী হ্বাটএপস গ্রুপ ৪০ দা থাগৎনরক্তুনা ভাইরেন ওইরকখি।

এদুকেসন মিনিষ্ট্রিনা শক্তি লৈবা পেনেল অমা শেম্বগা লোয়ননা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুৱেল্বকী ৱাহং লিক ওখিবগা মরী লৈননা থিগৎহনখি হায়রি।

## রাজস্থান্দা অকনবা নোংনা মীওই ১২ শিহনখ্রে, মহৈ-মরোং কয়া মাঙ-তাকখ্রে



**জয়পুর, এপ্রিল ১২ ঃ** রাজস্থানগী ধোলপুর অমসুং ভারতপুর দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা নোং অমসুং ব্রজ য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা ঙরাং মীওই ১২ গী পুন্সি মাঙহনখ্রে। ধোলপুরগী বাদেদ লমদমদা মীওই ৭ শিখি অদুগা ভারতপুরদনা মীওই ৫ শিখিবনি হায়না মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ধোলপুরদা মীওই কয়া শিখিবা অদু য়ূম কয়াগী ফক্লাং অমসুং মথক থংবা শরুকশিং নীংখাইরকপদগী থোকখিবনি। য়ূম খরদি ইলেক্ট্রিক সোর্ট সাক্যুট থোকপনা মরম ওইরগা মৈ হৌদুনা চাকখি। ধোলপুরগী লম্বী শরক কয়া ঈশিং থুমজিনখি লোয়ননা ট্রেন চথোক-চৎশিন তৌবদা চাউনা অকায়বা থোকহনখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা ঙরাং অকনবা মওংদা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎপগা লোয়ননা নোং চুখি। পুংদা কিলোমিটর ১০০ হেন্না য়াংবা নোংলৈ নুংশিৎনা লমদম অদুগী মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা নংহনখি।

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিসু হৌখিবা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদগী নোং চুদুনা লাকখি। দিল্লিদা অকনবা নোং অমসুং নুংশিৎনা উ পাম্বী কয়া মরু ফুক্তোকখি হায়রি।

চীংগী ষ্টেটশিং উত্তরখন, হিমাচল প্রদেশ অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরদসু ব্রজ য়াওবা অকনবা নোং চুখি। মেটেরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ ফাওবা অৱাং নোংচুপ থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

লাক্কদৌরিবা চয়োল অসিদা শাবগী চাং হন্থবগা লোয়ননা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৭ ফাওবগী চাংদা লৈগনি লোয়ননা হায়রিবা অঙৈং অশা অদুদগী হেনগৎপা লৈরোই হায়রি।

পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশতসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা কালেন লৌরোক্কী লোকপা য়ারবা মহৈ মরোং কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। মতম চাদনা চুরকখিবা নোং অদুনা মহৈ মরোংশিং লোকপগী মতম চয়োল অমরোম থেঙথহল্লগনি হায়না রাজস্থানগী লৌমীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# সিরিয়া লৈঙাক্লা দৌমাদা কেমিকেল এটেক্ট চথখি হায়বদু চুম্লে ঃ ফ্রান্স প্রসিদেন্ট



**পেরিস, এপ্রিল ১২ ঃ** সিরিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অদুগী রিবেলশিংনা খুদুম চনবা দৌমা লমদমদা কেমিকেল এটেক্ট চথখি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংলে হায়না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুৱে মেক্রোননা ফোঙদোরক্লি।

মতমগী মতূং ইন্না কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখিবা অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীরকপা য়াই। নোংচুপ লৈবাকশিংনা মীয়ামগী মথক্তা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখিবগী পাউখুম ওইনা মিসাইল এটেক্ট চথরকপা য়াই। রুসিয়ানা শাবা নার্ভ এজেন্ট গ্যাসশিং দৌমাদা শীজিন্নখি হায়বগী খুদম চাংদমসু লৈ।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখিবশিংগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়খিবা অদু অথুবা মতমদা নৎত্রগা মতম খরা থেংথনা শোয়দনা থবক লৌখৎলকপা য়াই হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা সিরিয়াগী দৌমা লমদমদা কেমিকেল এটেক্টনি হায়না চিংনবা তমথিবা এটেক্ট চথরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ গী পুন্সি মাংখ্রে অদুগা মীওই চা কয়ানা অরূবা ফিভমদা ঙসি ফাওবা লায়কন্নদুনা লৈ।

ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা কেমিকেল এটেক্ট চথবশিংগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চথনবা মপাং খোম্বগী থবক চথরি। লোয়ননা লৈবাক কয়াদা শৌগৎপীরক্কবা কেম্পেন চথরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না আই এস আই এস না খুদুম চনবা মফমশিংদা চপ চাবা থবক পায়খৎলিবা অদুগীদমক অমেরিকাবু থাগৎলি হায়না ফ্রান্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

শগোলশেন নুমিত্তা য়ু এস সেক্রেটরী ওফ দিফেন্স জিম মার্টিসনা কংগ্রেস্নেল পেনেলদা ফোঙদোকখিবদা সিরিয়াগী দৌমাদা কেমিকেল এটেক্ট চথরকখ্রে হায়বগী থাজবা লৈরে। লমদম অদুদা ওইখিবা ফিভম অদুগী চপ চাবা ফিভম অমা খঙদোক্লবা য়েংশিনবগী থবক চথরি হায়খি।

নাতোগী সেক্রেটরী জেনরেল ষ্টোলতেনবকনা হায়, কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নবা হায়বদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। হন্দক কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নরকখি হায়রিবা অদু খ্বাইদগী হেন্না মীপাইনিঙাই ওইরিবা থৌওং অমনি হায়খি।

বৃটিশ কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নরকপগী মতাংদা লৈবাক অদুনা করি থবক পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্নখ্রে হায়রি।

য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী অথুবা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাথোক অদুগী মতাংদা খন্ননবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

ফ্রান্সকী লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, ষ্ট্রাইক চথবা তারবদি সিরিয়া লৈঙাক্কী কেমিকেল খূৎলাই থমফমশিংদা তার্গেট তৌগনি। ফ্রান্সনা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম খঙলকখিবা অদুগী লীখুনদি ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদুনা হায়, সিরিয়াগী ঘৌটাদা বাসর অল-অসাদ কী লৈঙাক্লা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখ্রে হায়বা অদুগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংলে। মখোয়না শীজিন্নখিবা গ্যাস মখল অদু ক্লোরিন ওইবা য়াই হায়রি।

টি ভি চেনেল অমনা করিগুম্বা সিরিয়াগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চথবদা ফ্রান্স য়াওগদরা হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা হায়, ফিভম অসিদা লৈবাক অদুনা চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌবগী তঙাই ফদবা লৈ। লৈবাক অদুনা খ্বাইদগী ফবা অমসুং ইফেক্টিভ ওইগদবা মওংদা ৱারেপ লৌগনি।

সিরিয়াগী রেজিম অদুনা মখোয়না অপাম্বশিং তৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অমা লৈরি। অদুম ওইনমক মালেমগী ওইবা চৎন-কাংলোনশিং থুগাইরকপদি য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরকখি।

## পাকিষ্টানগী শৈশকপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে



**ইস্লমাবাদ, এপ্রিল ১২ ঃ** পাকিষ্টানগী সিন্দ প্রোভিন্সদা পাকিষ্টান নুপী শৈশকপী অমা মীয়াম মমাঙদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। সমিনা সমুন (২৪) না প্রোভিন্স অদুগী কঙ্গা খুঙ্গংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা পাঙথোকপা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমদা শরুক য়াখি। ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদুগী ভিডিও ক্লিপতা শৈশকপী অদু থা তরুককী অঙাং নাওপুরে। মহাক ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদুদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ভিডিও ফুটেজ ওইনা থাদোরকখিবনি হায়রি।

মেদিয়া রিপোর্টকী মতূং ইন্না তারিক অহমদ কৌবা মীওই অমনা সমিনাবু লেপখৎতুনা ঈশৈ শক্লনবা হায়জখি। অদুম ওইনমক মীরোল্লবী শৈশকপী অদুনা ৱাফম অদু য়াদবগা লোয়ননা ঈশৈ শকখি। মদুদা অতোপ্পা মীওই অমনসু চঙশিল্লক্তুনা লেপখৎতুনা ঈশৈ শক্লনবা হায়জখি। মদুগী মতূংদা জাতোই কৌবা য়ু ঙাওরবা মীওই অমনা শৈশকপী অদুগী মখোঙ শোক্লা খুরুম্লবা মতূং রিবোম্বর অমা শত্তোক্তুনা শৈশকপী অদুগী মরাইবক্তা নম্বগা লোয়ননা পোইন্ট ৱ্লেঙ্কতা নোংমৈ কাপশিনখি হায়রি।

পুলিসনা মরাল লৈবা মীওই অদু ফারে লোয়ননা মখা তানা থিগৎপগী থবক চথরি হায়রি।

সিন্দ প্রোভিন্সকী হোম মিনিষ্টর সুহাইল অলৱার সিয়ালনা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট পীরক্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে হায়রি।

খুদোংথিবা থোকখিবা মতম অদুদা লৌহৌখিবা ভিডিও ফুটেজ অদু ইস্লমাবাদতা বেজ তৌবা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কাপিল দেব কৌবা মীওই অমনা ট্যুটরদা থাগৎলকখি। সমিনাগী মপুরোইবনা পুলিসতা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখ্রে হায়রি।

# দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিল অফবা ৱাখল্লোন অমা নৎতে ঃ রঘুরাম রঞ্জন

**ন্যুয়োর্ক, এপ্রিল ১২ ঃ** দিমোনিটাইজেনগী থৌশিল অফবা ৱাখল্লোন অমা নত্তে হায়না মতম অদুদা ময়েক শেংনা সেন্টরদা খঙহনখি। লোয়ননা মদু চৎনহন্নবা হোৎনখিবা থৌশিল অদুসু নীংথিনা শেম-শারবা অমা নত্তে। ইন্দিয়াদা চৎনরিবা শেল চাদা ৮৭.৫ দিমোনিটাইস তৌখি হায়না রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী গভর্ণর রঘুরাম রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ইং ২০১৬ কী নভেম্বর ৮ দা সেন্টরনা লুপা ৫০০ অমসুং লীশিং চৎপী মুথৎখিবা অদুনা শেল থুমগী ফিভমদা অচৌবা চৈফু অমা পীখি। টেরোরিষ্টশিং অমদি মখোয়দা শেল থাদবা লাকশিন্নবা হোৎনবা খক্তদা মীৎয়েং থমদুনা থৌশিল অদু পায়খৎখিবনি হায়না হান্নগী রিজার্ব বেঙ্ককী গভর্ণর জঘুরাম রঞ্জননা কেমব্রিজদা লৈবা হরবাদ কেনদি স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টরনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগা দিমোনিটাইজেসন মমাঙদা তানখিবা লৈতে হায়বদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনাহায়, মতম অদুদা মহাক্লা ময়েক শেংনা থৌশিল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি লোয়ননা দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিল অদু অফবা ৱাখল্লোন অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবনি হায়খি।



রঘুরাম রঞ্জন হৌজিক য়ুনিভর্সিটি ওফ সিকাগোগী বুথ স্কুল ওফ ব্যুজিনেস অমসুং কেথরিন দুসক মিলর দিষ্টিংগুইস সার্ভিস প্রোফ্রেসার ওইরিবনি। মতম অদুদা লৈঙাক্লা চথখিবা দিমোনিটাইজেসনগী শরুক অদু নিংথিনা থৌরাং তৌরবা অমা ওইখিদে হায়খি।

মাইক্রো ইকোনোমিষ্টশিংনদি হায়গনি করিগুম্বা চাদা ৮৭.৫ কী চাংদা শেলয়েক দিমোনিটাইস তৌখ্রবদি মদুগা মান্ননা অনৌবা শেলয়েক নম্বগী মথৌ তাই। লোয়ননা দিমোনিটাইস হেক তৌখিবা মতূং অদুগুম্বা শেলয়েকশিং অদু চৎনহনগদবনি। অদুম ওইনমক হন্দক ইন্দিয়াদা চথখিবা দিমোনিটাইজেসন অদুদি ফিভম অদুমক ওইখিদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা শেল থুমগী লমদা নেগেটিভ ইমপেক অমা লাকহনখি।

নাকল অমরোমদা মীওই কয়ানা টেক্স থিদনা পৈশিন্দুনা থম্লম্বা শেলয়েকশিং অহিং অমদা চৎনহনখিদবা অদুনা লৈঙাক্তা শেল পৈশিনবা মীওইশিং চঙজরক্কবগী মরম অমা ওইহনখি। মখোয়না টেক্স পীজরগে হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখি।

ইন্দিয়াবু খঙবা মীওইশিংনা উবা ঙম্মী মদুদি সিষ্টেম অদুগী মতায়দা অতোপ্পা লম্বীশিং লৈ। দিমোনিটাইস তৌখ্রবা শেলয়েকশিং অদু বেঙ্কশিংদা হল্লকপা থেংনখ্রে। মদুনা তাক্লিবদি দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিল অদু মায় পাক্তবা অমনি। মতম অদুদা মীয়ামগী চৎনবা য়াবা শেলয়েক লৈতবগী শাথিবা অৱাবা অমা মায়োক্লখি।

শেল-থুমগী ফিভম শাফবা ওইদবা মীয়াম্না উপায় অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা মখোয় হিংননবা হোৎনরি। মীয়ামদা মতম শাংনা চৈথেং কয়া ফংখি। লোয়ননা লৈঙাক্লা টেক্স লৌখৎনবা খক্তমক হোৎনৈ হায়না খনখিবা লৈখি হায়রি।



**Lambodara Indane**
Booking : 31/03/18
Valid : 23/03/18
Stk : 306

**Manipur Gas**
Booking : 08/03/18
Valid : 07/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 19/03/18
Valid : 14/03/18
Stk : 306
Sl. No. from 10549 to 10899
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 20/02/18
Valid : 16/02/18
Stk : 306
Sl. No. 210655
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 08/03/18
Valid : 01/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 24/02/18
Valid : 22/02/18
Sl. No. 200
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 16/02/18
Valid : 06/02/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 11/03/18
Valid : 28/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 14/03/18
Stk : 150
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Delivery Point at Charangpat

**Misao Gas**
Booking : 22/02/18
Valid : 06/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 23/02/18
Valid : 07/02/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 12/03/18
Valid : 08/03/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 12/03/18
Valid : 08/03/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 12/03/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 54580
Stk : 570
Delivery at Heinoupok Godown

**সনা-সুদোকু -১১৩৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 5 | 3 | 9 | 2 | 6 | 7 | 8 |
| 9 | 6 | 3 | 8 | 1 | 7 | 4 | 5 | 2 |
| 2 | 8 | 7 | 5 | 4 | 6 | 3 | 1 | 9 |
| 1 | 2 | 4 | 9 | 5 | 3 | 8 | 6 | 7 |
| 5 | 9 | 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 3 | 1 |
| 3 | 7 | 8 | 6 | 2 | 1 | 9 | 4 | 5 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 8 | 4 | 1 | 2 | 3 | 5 | 7 | 9 | 6 |
| 6 | 3 | 2 | 1 | 7 | 9 | 5 | 8 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1139**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 7 | | | 5 | 6 | 1 | |
| | 4 | | | | | | | |
| | | | | | 4 | | 8 | |
| 8 | | 1 | 2 | | 7 | 4 | | 9 |
| 4 | | | | | 9 | | | |
| | | | | 3 | | 5 | | |
| | | | | | | | 9 | |
| 3 | | | | | 1 | | 4 | 8 |
| | 6 | | | 7 | | | | |